# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৮০

**ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম**

***ঙসিগী*** লৈঙাক মওং অসি নোংমা নোংমগী হেন্না হেন্না শোকচিল্লক্লি। ঙসি ফাওবা অচুম্বা অশেংবা অমত্তা থবক ওইনা পায়খৎতে। মসিগী ময়েক শেংলবা শক্তম মীয়াম্না মপূং ফানা খঙনরে। খুদম খরদং পঞ্জরবদা মণিপুরগী লৈঙাক অসি অনিং-অনিংবা, তৌনিং-তৌনিংবা মওংদা থবক তৌবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিমক্না কোংগ্রেস লৈঙাক থোইদোক হেন্দোক্লা চরাংনবা হেনগৎলকই। লৈঙাক অসিনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমলোইদবা কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। মপূং ওইনা চকা অনী পানবা গাড়ী থৌবশিং হেলমেট উপ্তবা য়ারোই, হেলমেট উপ্তবশিং থাউ পীরোই লাউথোকই অদুবু থবক ওইনা অমত্তা পায়খৎতে। মসিগী মথক্তা বজার মনুংগী গাড়ী থম্ফমশিং মওং মরিল তাদ্রি। পাউনা বজারগী লম্বীদা মখল মখাগী গাড়ী লম্বীগী মতাইদা থম্বা য়ারোই হায়নসু লাউথোকই। নোংমা নীনি চেক তৌরম্মী অদুগা মখা তাবা থবক্তি করিসু পায়খৎতে। ইম্ফাল মনুং লম্বী পাকথোকই। লম্বী পাকথোক্লবসু লম্বী তঞ্জায় অমদি গাড়ীশিংগী থমফম ওইহল্লি।

মসি পূম্নমক মীয়াম্না ফোংনা উনরে মদুদি ইম্ফাল থোং নম্বোবীদগী শগোলবন্দ রোদকী মৈনো লৈরক ফাওবগী লম্বী তঞ্জায় অমদি গাড়ী থমজিনবদগী য়েংবদা মিৎ নাবা য়াওরি। লম্বী অসিদা মায়কৈ কয়াদগী লাকপা গাড়ীশিংগী থাফম ওইরি। মসিবু লৈঙাক অসিনা হন্না য়েংবীদবরা? ইম্ফাল শগোলবন্দ লম্বী অসিদা এম পি অমদি ষ্টেট অসিগী য়াম্না নহা ওইরিবা এম এলএ য়াওনা মন্ত্রিসু লৈরি। মসি থোইদোক্লা অঙকপা অমনি। অদুম ওইনমক মন্ত্রি অমদি এম পিনা লম্বী অসিদা লাকপদদি শক্তি শীজিন্নদুনা লাকপনা য়াম্না মনিং তম্না চৎনরি। ঐখোয়গী লমদমসিগী মন্ত্রি, এম পি, এম এল এশিংদি মখোয় মখোয়গী মখূৎতা শক্তি পায়বা ঙাক্তনি। অদুবু মীচম মীয়াম শক্তি পায়জদবশিংদি নোংমা নোংমগী অৱাবা, খুদোংচাদবশিং লেপ্তুনা মায়োক্লবা হেনগৎলক্লি। ওন্থোক্লা চাওখ্রবা মণিপুরগী মন্ত্রি, এম পি, এম এল এ ঙাক্তনি। অদুবু মীচম মীয়ামশিংদি ৱানা খাঙনরি।

অদুম ওইনমক মন্ত্রি, এম পি, এম এল এ খুদিংমক পুন্সি চুপ্পা অসুম্মক চাউগদবদি নত্তে। কুমজা ২০১৭ কী ভোটসু লাক্লগনি। ভোট মমাঙদগীনা ভোট ময়া ফাওবদি অশেং অশেংবা চিনগা খূৎকা মান্নবা থবক খরদি পায়খৎহন্নীংই। মন্ত্রিসু, এম পিসু, এম এলএসু ওমর অমত্তা নত্তে। ও ইবোবীগী লৈঙাক অসি মপূং ওইনা চহী ১৫ ফারক্কদৌরে। মসি ফাওবগী মনুংসিদা মীয়াম মরক্তা ফজ ফজবা ৱাহৈ ৱাতা ঙাঙবদি ফজনা হৈরে অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপদি উদ্রি। হীরম খুদিংমক্তা ফেল ওইরি। ফেল ওইবা হায়বসি পুনশিল্লগা অফবা ফলদি লাক্কদবা মান্দে।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা লৈঙাকসিগী মনুংদা ফজ ফজরবা ৱাফম কয়াদি লাউথোরকই। থবক ওইনদি ঙসি ফাওবা পায়খৎপদি উদে। মসিগী দষা অমদি শোয়দনা লাক্কদবা মাল্লি। মফম চাবা য়েংলগা ইরাবতকী মীতম খিনগনি হায়বা ও ইবোবীগী ৱাফম থাগৎতবা ঙমদে। মসিগী মথক্তা মতম শাংনা লৈঙাক পুমিন্নরিঙৈদা ফাওবদা পাঙথোকপা ঙল্লমদ্রবা ৱাফম অমা ঙসি লৈঙাক পুমিন্নদ্রবসিদা ফোঙদোরকপা ৱাফম অসি মীয়াম্না ঙক্তবা ঙমলোই। মসি ভোট ময়াগী চাউরবা নমথাক্কী ৱাফমনি হায়দবা য়ারোই। মহাক মশামক্লা সি এম ওইরগা লৈঙাক পুমিন্নরিঙৈ ফাওবা পায়খৎলমদ্রবা ফজরবা ৱাফম অমা হন্দক মীয়াম মমাঙদা লাউথোরকপা অসিদা মণিপুরগী মীচম মীয়াম অঙকপা ফাওদবা য়াওরল্লোই। ঐখোয়গী সি এম অসি মমাঙগী চহীশিংদদি জন নেতা ইরাবত অসি মীয়ামগী অশেংবা লুচিংবা অমনি হায়বসি থোইনা খনজিল্লুদবা মাল্লি। মীচম মীয়াম্নদি চহী কয়াগী মমাঙদগী জন নেতা ইরাবতপু শকখঙদুনা শাংলবা চহী কয়া ইরাৎতুনা লাকখিবনি। মসিগী মথক্তা জন নেতাগী খোংলোই ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অমসু ইচাও চাওনা লৈঙাক পায়মীন্নরম্মী। অদুবু মতম অদুদা জন নেতাবু শক খঙবীরমদবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি অদুবু থেংলবসু থেংনা জন নেতাবু শকখঙবীবা হায়বসি সি এমবু ওন্থোক্লা মমল লৈনা লৌনরি।

তশেংনমক মণিপুরগী সি এম অমনা জন নেতা ইরাবত মীয়ামগী লুচিংবা, হীরম খুদিংমক্তা রেভল্যুসনরি অমনি হায়না মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিংদা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বনা শক খঙনরবা জন নেতাবু ইরমদমসিগী অশেংবা লুচিংবনি হায়না সি এম ও ইবোবীনা ফোঙদোকপীরকপা ৱাফমসি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা থম্বা তঙাইফদে। অসিগুম্বা মণিপুরগী লুচিংবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাফমবু মীয়াম্না ঙক্তবা খক য়ারোই।

ঐখোয়গী চহী ১৫ লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরবা সি এমনা মীয়াম মমাঙদা ফজ ফজরবা ৱাফম কয়া লেপ্তুনা থন্বীরি। অদুম ওইনমক থবক ওইনদি অমত্তা পায়খৎতবসি নুংনাংবা পোক্তবা ঙল্লোই। ইম্ফালগী মফম খুদিংমক লম্বী মওং তানা শেমদে। ইম্ফাল সিটি ফাওবা লম্বী ফৎত্রকানসিদা ইম্ফালদগী হায়থরকপা লম্বীদি করম্না ফগনি। অদুম ওইনমক সি এমগী মায়কৈ থৌবাল বজারদি ইম্ফালদগী হেন্না ফজনা শেম্মী। মসিমক ঙসিগী মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না মীৎমাংদা ফজনা উনরি। জন নেতাবু মশক মুন্না খঙলমদবা অসি য়াম্না অখুবা মিৎয়েং অমদি লৈরম্বরা খঞ্জে। মরমদি মণিপুরগী শান্ন খোৎনবগী মফমগী মতাংদা মীয়াম্না ঙাঙনরক্লিবসি চম্না তরাইনা খন্দোকপীগনু। য়াইথিবী লৌকোন নৎত্রবদি শান্না খোৎনবগী মফম থম্বা য়াদবরা? ৱাহং অসি মনুং হুনজিন্না নৈনহৌদবা য়ারোই। মসি নত্তনা মণিপুরদা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলক্লিববা মখোং অনী পানবা গাড়ীদগী হৌরগা মখোং মরি পানবা গাড়ীদা নম্বরগী মতাং, হায় সেক্যুরিটি প্লেটকী ৱাফমদা নোংমা নোংমগী অনিং অনিংবা চত্থরক্লিবা লৈঙাক অসিগী চেক খুতৌ, ঙরাং নহানতা খনখিবা য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংনা মনিং তম্না পায়খৎলক্লিবা থবক অমদি মরী লৈনবশিংনা কাঙলোন চুম্না থবক পায়খৎতবসিমক নুং-পানগী ৱাফম কয়া লৈতবা নত্তে। মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা গাড়ী কয়াগী মরমদা য়াম্না কুপ্পা থিজিনবীফম থোকই। মণিপুরদা হুরানবা গাড়ী কয়া লৈরি। করম্বা মওংদা এম ভি দিপার্টমেন্টনা চেক তৌরগা হুরানবা গাড়ীশিংগী নম্বর ওনবনো? নম্বর ওনবা লাকপদা দি টি ওশিং ফাজিনবগী মহুত্তা লুপা লিশীং ২০/৩০ লৌরগা নম্বর ওনবসিদি তুংগী দষা গাড়ী মপুদা তাইনবগী মহুৎতা নম্বর ওনবা মতমদা অয়াবা পীরিবা মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক পায়খৎফম থোকই। ঙসি ফাওবা ড্রাইভিং লাইসেন্স পীবদা লুপা ৫০০/৬০০ পীরগা লাইসেন্স পায়নরিবসি অর্থ থোক্লিবরা? লম্বীগী খুদোংথিবদগী কন্নবগীদমক হেলমেট উপ্তবদি য়ারোই হায়রি। হেলমেট উপ্পবসু গাড়ী থৌবগী চৎন-কাঙলোন চুমদ্রবদি হেলমেটনা ওইবা খক য়ারোই। মসিগী আইন অসিদি য়ুনিফোর্ম শেৎপা কয়াগী শেন্দানফম ওইনবা দিপার্টমেন্টনা শিনবনি।

মণিপুরগী মীচম মীয়াম পূম্নমক লৈঙাকসিনা ৱাহল্লে। মথোং হুক্তবা লৈঙাক্কী আইন মরী লৈনবশিংনা য়াম্না কুপ্পা চেক তৌবিয়ু। মমৈথংদা মখল মখাগী দষা লাক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মণিপুরগী লৈঙাক্লা তোংদুনা শীজিন্নরিবা গাড়ী খুদিংমক্লা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং য়াম্না কুপ্পা থিজিনবগী মথৌ লৈতবা নত্তে।

লৈবাক অসিগী ফম্নাইবশিংনা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিংনা মনিং তম্বা, মীচম মীয়ামশিংদনা মখল মখাগী আইন চলাইবসি অচুম্বা খোঙথাং অমরা? লৈঙাক্কী আইনবু লৈঙাক্লা থুগাইবদি য়াবা, মীচম মীয়াম, মতু শোনবশিংনা শোয়বদগী থুগাইরুবনা ওৎ নৈবা ও ইবোবীগী কোংগ্রেসকী চহী ১৫ গী লৈঙাক করম্বা লৈঙাকনো ? মসি পূম্নমক অচুম্বা লম্বীদা লাক্লবা মরী লৈনবশিংনা হেন্না কুপ্পা থবক পায়খৎপীয়ু। মণিপুরনি, লৈঙাক অসিনা অনী থোকপগী হৈনবীদগী লাপথোকপীদুনা অপূনবা মান্নবা শক্তম অমগীদমক অপূনবা শক্তম শাগৎপীয়ু। ঙসিগী ২১ শুবা চহীচা অসিদি থিওরিগী মতম নত্তে। থবক ওইনা মিৎমাংদা পাঙথোকপা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি। ঐখোয় মীচম মীয়াম্না শাংলবা মতম অৱাবা খাঙলকপা কোকহনগনি হায়দুনা কুমজা ২০১৭ গী ভোট ময়াসিদা অচুম্বা পাম্বা মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবা কয়া মথোং মরম খঙদনা চোঙথোক্লরকপা অসিমক মীয়াম্না ঙক্তবা ঙমলোই।

মতম অমদা শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টি অমখক লৈরম্মী ঙসিদি শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টি অনী মীয়াম মমাঙদা ফোংনা চোঙথোরক্লে। মসিমক মীয়ামগীদমক্তা লাইবক ফবনি। লাইবক ফরবা মীচম মীয়াম ৱাখল তামিন্নদুনা অওনবা মণিপুর, অহোংবা মণিপুর অমগীদমক চনিং তানা খন্থমিন্নরসি। মণিপুরগী লুচিংবশিং মীচম মীয়ামশিং শুমদুনা চাবা ঙম্বা, মীচম মীয়ামগী লন থুম হুরানবা ঙম্বা ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক ভোটনি মীরেপ খন্দবদি য়ারোই। মীচম মীয়াম পুল্লসি, মীয়ামগী অপূনবা খোল্লাউ, মীয়ামগী খোল্লাউ তাদবা পোলিটিকেল পার্টি মরু ফংনা মুখৎলসি। ফবা ফত্তবা ভোটতি পীদবা য়ারোই। ওল্লসি অনৌবা মায়ওন অমা, পুরক্লসি অনৌবা মখলগী অহোংবা লৈঙাক, মী ওনবনা অহোংবা পুরক্কদরা? আইন হোংবনা মীয়ামগী পুন্সি অওনবা পুরক্কদ্রা খন্থমিন্নসি।

# ৱাহং মীয়ামগী ৱাহং

**এ কে ইবোমচা**

***হৌজিক*** লৈরিবা মণিপুরগী লৈঙাকলোন অসিদি অঙাং মচাশিংনা লাইফদিবী শান্নবগী মতৌ অদুগা চপ মান্নরে হায়বা তাই। ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী ফমজাও পায়বা মীয়ামগী লুচিংবা কয়াগা লোয়ননা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা অথিংবা পীদুনা মীচম মীয়াম্বু অকি অখং নংহনবা হায়বসি য়াম্না চুমদবা থৌওংনি। অসিগুম্বা মথোং মরম খঙদবা লৈঙাকলোইশিংসি ফাগী তারবা লৈঙাক্কী লৈঙাকলোইশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চৎলিবা খোঙচৎতু দিষ্ট্রিক্ট অমগী লৈফম থোকপা লৈঙাকসিগী চাওখৎ থৌরাংগী লৈফম থোকপা লোইশঙশিংগী শঙলেন শংকাবনি। মদুদা তাঞ্জুল নাগালোং কৌবা লূপ অমনা চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ বোইকোট তৌই হায়দুনা মমাঙদা লাউথোক্তুনা পব্লিক কার্ফিয়ু থমখিবা লৈখ্রে। হংনরিবা ৱাহংদি খোঙচৎতু য়ৈথোক্লগা নিংথিনা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌরগা অতোপ্পা নুমীৎ অমদা চৎলম্লবদি খোঙচৎতু মায় পাকপা খোঙচৎ অমা ওইরম্বসু য়াই। চৎকনি হায়দুনা চৎখ্রগা করিগী থবক্তু পাঙথোক্লমদনা হল্লক্লিবনো হায়বসিনি মীচম মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহং। অমুক্কসু হংনরিবা ৱাহংদি ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা অখাক অরাও, অশোক অপনগা লোয়ননা মফমদু থাদোক্লম্লগা হল্লকপা হায়বসি লমদমসিগী পুৱারীদা অমুবা কালি তৈদুনা মতম শাংনা কাউদনবা পুৱারী অমা শেম্লম্লিবরা হায়বসিনি। খ্বাইদগী ঙক্লা হংনরিবা ৱাহং অমনা অদুক চাওবা ক্রাইম অমা তৌদুনা ইরমদমসিবু মালেম পূম্বগী মীমাংদা ইকায়বা পীরিবা ‘তাঞ্জুল নাগালোং’ হায়বা লূপ অদুবু হৌজিক ফাওবা অনলোফুল এক্টিভিজ গ্রুপনি হায়না লাউথোক্ত্রিবা অসিনি। অদুগা তাঞ্জুল নাগালোংগী মরু ওইবা থৌমী ময়ামদু ফাদ্রিবা, চৈরাক পীদ্রিবনা করিগীনো হায়বসিনি মীচম মীয়াম্না ঙক্লা হংনরিবা ৱাহং। অমুকসু মথক্তা সেম্বাং পাইবা য়াদে হায়নরিবা ‘ঙারা পুংদোংবা’ হায়না কৌবা কাওরেনগুম্না থৌনা ফরবা ষ্টেট ফোর্স ময়ামদুনা করি তৌদুনা লৈহৌরবা অদুগা পেরা মিলিটরি ময়ামদুনা ময়া কাখৎতুনা য়েংদুনা লৈররিবনা করিগী। মসি মীচম মীয়ামগী ৱাহংনি।

মতাংসিদা ইশাগী ওইবা ৱাখল্লোনদি হোমগী থৌসু পুবিরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইবীরিবা ইকায় খুম্নজরিবা গাইখাঙম্না অশোয়বদু কনানা শোয়বনি হায়না লৌবিবগে? দিষ্ট্রিক্ট অদুগী আইন ঙাক্লিবা সিক্যুরিটিশিংদা তাইনগদ্রা? লমদমদুগী লূপ অমা ওইরিবা তাঞ্জুল নাগালোংদা তাইনগদ্রা? নৎত্রগনা অশোয়বদু ইশানা শোয়বনি হায়বীগদৌরিব্রা? কনানো অশোয়বা অমদি লৈরে হায়নীংই। হায়রিবা ঐসিসু মফম খঙদনা মীয়ামদা হংলিবা ৱাহংনি ‘শোয়রিবসি কনানো’? মরক অসিদা থমজনীংলিবদি, তাঞ্জুল নাগালোংনা লৈঙাক অসিদা পাখোং অমদি চনবা মাল্লি। ৱাফমদি চীফ মিনিষ্টরগী থৌওংদা পেন্দবা, অদু নৎত্রগা লৈঙাক্কী থবক্তু পামদবা নৎত্রগা ঐখোয় ষ্টেট তোঙাল্লে, থংননা লৈবা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর মথৌ তাদ্রে হায়বা অমা অসি ওইফম থোকই হায়নীংই। মরমদি এন এন সি এন (আই-এম) গী লুচিংবা মুইভাগী ৱাখল্লোন, মতম শাংনা ইন্দো-নাগা পিছ টোক, মসিগী মরুমদা ইন্দো-নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, মখোয় এন এস সি এন (আই-এম) গী অপাম্বদুদা ভারত লৈঙাক্লা অরোনবা ইঙ্গিৎ অমা পীরকপা মদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী ৱারেপ অদুনা পৱার এক্সর্সাইজ তৌরক্লিবরা চিংনবা পোকই। মসি য়েংশিনবা মথৌ তারোইদ্রা? মসি মীয়ামদা নৈননবা থমজবা ৱাফমনি। অতোপ্পা অমনা চীফ মিনিষ্টরগী থৌওংদু পামদে হায়বা ওইরগনা করি তৌরগা পামগদগে হায়বদু খন্ন নৈনবা য়াই। লৈঙাক্কী থবক্তু পামদবা ওইরগনা ইশা ইশাগী ফমদু থাদোক্লগা মীয়ামদা শিন্নথোকখিবা, মখোয়না পাম্বা অমা খঞ্জরসনু করি অকায়বা লৈগদগে। থমজনীংলিবা ৱাফমদি:- ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টর খোঙচৎ ষ্টেট মনুংগী ওইবদা নোংমৈ কাপ্তুনা তাল্লকই হায়বসি মীনা তারগা কেনা নোক্কে তৌরুবা নপ চোঙথোক্লকই হায়বদু তাগনি, ইকায়নীংঙাইনি। মীয়ামদগী লাক্লিবা ৱাহংদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অসি মনীং মখা তম্লবা য়ুনাইটেদ নেসন্না মশক খঙলবা কন্ত্রি অমা ওইখ্রবরা? মণিপুরগী মনুংদা লৈতবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট নত্তবা অতোপ্পা কন্ত্রি অমরা? অদু ওইখিবা তারগনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী মথৌনা করি? অদুগা চাওখৎ থৌরাংদুনা কদোমদা? ইন্দিয়া মনুংদা লৈবা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লৈবা ওইরগনা করিগী মখোয়গী ওইবা আইন অমা চৎপা মানবা থৌওং! য়াম্না ইকায়বা ৱাফমনি। চপ মান্নবা মিৎয়েংদা য়েংবিয়ু, অচান মীরাই নাইবা তৌবিগনু। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী থৌওংদু ইম্ফাল নৎত্রগা তম্পাক লমদা থোক্লম্লবদি করি ওইগনি। মণিপুরসি মীতোপ্না য়োৎখিদৌরে, মীতোপ কাঙলোন চুম্না চঙহনসি হায়না লাউজবা ‘রোবিনহুদ’ নৌনা পুন্সি পীখম্নহনখি। য়ানি-য়ারোই খরা য়েৎচবা চুড়াচান্দপুরগী মীওই ৯ হৌজিক ফাওবা মথৌ মঙম তৌদ্রি। অদুগা উখ্রুলদা চীফ মিনিষ্টর মশাগী খোঙচৎ অদুদনা মীচম শোক্কনি খন্দুনা খূৎ হন্দবনি হায়বা ৱাফমসি য়ানিংদে। কাঙলোন চুম্না থবক পায়খৎপীয়ু। মতিক চাবা লৈবাক্কী লুচিংবা ওইবীয়ু। মীয়ামগী থৌজাল ফংগনি। মীগী মমা মশক ফজবীবু ইমা ওইবা য়ারোই ঐখোয় খঙই। ফনা য়াম্না ফরবসু ত্রিপুরাগী মানিক সরকার ত্রিপুরাগীনি, মণিপুরগী ওইবা য়ারোই। মীয়াম্না ফৎতে হায়রবসু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবগী ইকায়খুম্নবদি থমজরি। মসি মীয়াম্না নীংঙমদনা হায়নরিবা ৱানি।

অচুম্বা হায়বদা চৈরাক পীবা, অরানবা তৌবা তাঞ্জুল নাগালোংবুনা মনা পীগদৌরিবরা? নৎত্রগা চেকশিন্দবা পুলিস চৈরাক ফংগদ্রা? মরী লৈনবশিং ফম থাদোক্কদরা হায়বা ৱাফম ময়াম নৈনবদা মীচম মীয়াম চাবা থকপা চঙনদ্রে। ৱাহং কয়া মথং মথং অমনা অমদা হংনরি। মসিগী পাউখুমদি কনানা করম্বা মতমদা পীরক্কনি ঙাইনরি।

অরোইবদা, কনাগুম্বা শক্তি অমত্তনা লৈবাকসি কায়নবা শিনবীগনু হায়বসিনি। ঐখোয়গী মীচম মীয়াম্না খন্থগদবা মরু ওইবা ৱাফমদি মণিপুরসি কনানা মচেৎ মচেৎ থুগাইবা হৌরকই হায়বসিনি। ঐখোয় পূম্নমক্কী মীংচৎ কনানা মাঙহল্লি? লাইনীং লিচৎসু কনানা মাঙহনখি, মীখা পোলহনখিবসিসু কনাননো? পূম্নমকসি খঙমিন্নরগা ইরমদম য়াইফনবা হোৎনবদা মীচম মীয়াম ঐখোয়গীসু চাউরবা থৌদাং লৈ হায়বসি পূন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই।

(১) মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ থুগাইবা হৌখিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুনা চহী ৪০০ পায়রক্লবা কিয়ামপোকপ লমজাও (কবো ভেল্লি) ম্যান্মারদা পীথোকখিবনি।

(২) মণিপুরদা লাইনীংগী অহোংবা লাকহনখিবসি নিংথৌকোন্দগীনি।

(৩) মণিপুর মীখা পোলহনখিবা অসিসু নিংথৌকোন্দা মচিন মনাও ময়াম ৱাখল তিন্নরক্তবদগী খৎন-চৈনবা থোক্লকপা, থকসি-খাসি কায়রক্তুনা নাকপাক তান্নরকপদগী মী শোনবা কাঙবুনা মীচং খোমদুনা অংগ্রেজশিংগী মতেং লৌরুবদগী খোংজোম লান থোক্তুনা ইপা ইপু ময়াম হাৎতোক্লগা মীগী মীখা পোনখিবনি। মসি খঙনা ইরমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় ৱাখল তামিন্নসি। উচি কল্লকপদা য়ূম মৈ থাগুমসি, উচি চেনখিনি য়ূমদি তুমখিনি, মসি খঙমিন্নসি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ইম্ফাল** ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মনুংদা লৈরিবা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াম্না মরু ওইবশিংগী মনুং চল্লিবা ষ্টেট হায়ৱে য়াইরিপোক রোদ, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না কোল্লিবা রোদ খুদিংমক দবল লেন্দ সিষ্টেমদা লোইনা শেমগৎখ্রে। অদুবু মরু ওইবা নোংপোক মায়কৈগী ষ্টেট হায়ৱে ওইরিবা অসিদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরে অমুক্তা মিৎয়েং তাবিয়ু অন্দ্রো পার্কিংদগী কোংবা বজার ফাওবা লম্বী। মিটর ৩০ পাকথোক্ল বগী সর্ভে লোইখিবসু চহী মরি/মঙা ফাখ্রে। সরক্কী নাকল অনীদা চল্লিবা ড্রেন অসি মতেক খরা চল্লগা লোইশিন্দনা থম্বা চহী ১০ মুক ফারম্লগনি, হৌজিকসু শেম্বীদ্রি। চহী ১৫ চুপ্পা কোংগ্রেনা লৈঙাক চলাইদুনা লাক্লি। কাখিবা মীহুৎশিংসু কোংগ্রেস ঙাক্তনি। লৈঙাক পায়রিবা মিনিষ্টর, এম এল এ অমসুং পি দল্লিয়ু দিনা করম্বা মিৎয়েংগী মখাদা থমদুনা য়েংবিরিবনো, ঙক্তবা ঙমদে। মৈসু চৎত্রবা ইলেক্ট্রিক পোষ্টশিংনা সরক্কী ময়ায়দা লৈরি। ৱাটর সপ্লাই ঈশিং কনেক্সন তৌখিবগী মফম কয়াদা নুংতিগী গাড়ী অচৌবা কয়া পুখরি। মসিনা মরম ওইদুনা ট্রাফিক জাম ওইরি। সরক্কী মতাই ফুট পাথ ওইগদবা অসিসু কোমগী কোম ঙাক্তা ঙাইরে। নোংমা কাংদনা গাড়ী থেংজিন্নবা, খোঙনা লম্বী চৎচবা মীওই কয়ামরুম গাড়ীনা থেংদুনা অশোক অপন কয়া থোক্লে। মসি মফমদুদা দ্যুটি তারিবা পুলিসশিংনা শাক্ষিনি।

নোংমদা হঙ্গৎ হন্দা চেল্লিবা গাড়ীশিংগী মশীংসি চাউরাক্লা পাবদা বস ৫৫-৬০, টাটা গাড়ী ১০০-১২৫, জিপসি ২০-৩০, ৪০৭ টাটা ২৫-৩৫, দি আই ৩০-৪০, কার অচৌবা ২৫০-৩০০, মারুটি অমদি অতৈ কার মচাশিং ৫০০-৬০০, দিজল ওটো ২২৫-৩০০, থেলা রিক্সো ৩০-৪০, চাকা অনী পানবা গাড়ীদা ৪০০-৪৫০, একাগাড়ী ১৫-২০, খোঙনা চৎপা মহৈরোয় য়াওরগা ৭০০-১০০০ ফাওবা চৎথোক চৎশিন তৌরি। অসুক য়াম্বা গাড়ীশিং অসি চেল্লিবনি নুংতিগী, মসিদগী হেল্লম্বসু য়াই। সরক ময়ায়দসু কোম অচৌবা মচা, লম্বী কুৎথবা, তোংখৎপা ময়াম অমনি। হেন্না ফৎত্রিবদি কোন্সম লৈকায়দগী কোংবা ফাওবনা অমুক হেন্না ফীভম শোকচিল্লি। সরক অসি নাকল অমদগী অমদা লান্থোক্লবা হোৎনবদা মিনিট ৫-১০ দি চঙই। অথু অকায়গী থবক অত্তা নংনদ্রে। ইরমদম অসিগী মীওইশিং পুকচেল চাওথোকপা, পেন্থোকপা ঙম্বা ঙাক্তা ঙাইরে। লম খুদিংগী লম্বী থিংবা, ধরনা ফম্বা কয়ানি লম্বী শেন্বীনবা। লোইশঙগী থৌ পুবিরিবশিং লোয়ননা এম এল এ, মিনিষ্টরশিং মমিৎ তাংলে। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙ অমদি মপি-মপা ওইরিবশিংদা ৱাকৎচরবসু থওইনা তাবিদ্রে। য়াম্না অখুবা মিৎয়েংদা থম্বীরে। উরবসু মমিৎ তাংলে, তারবসু মনা পংলে। অঙকপগী মশক্লি হে ৱাংখৈ সরক নহাক্কী নরাইবক ওন্থোক্লা থিনা তমখ্রবোই। নঙগী ফীভম য়েংবিনবা পি দল্লিয়ু দি/এম এল এ/মিনিষ্টর লৈতবগা পাংখক ওইরে। ইম্ফাল সিটি স্মার্ট সিটি খনগৎপদা য়াওরে অদুবু করম্বা মতমদনো স্মার্ট সিটি ওইগদৌরিবা। ইচং থৌবা, মতিং লৈবা, থৌনা ফবা ভোট লেপকদবা লৈবাক্কী থৌগল তৌবীগনি হায়না চোঙথোকপীরক্লিবশিংনসু মিৎয়েং চঙবিয়ু লোয়ননা হৌজিক হৌজিক মীচম মীয়ামগী মপি-মপা ওইবিরিবা ইকায় খুম্নবদা মতিক চারবা চীফ মিনিষ্টরনা অমুক্তা মিৎয়েং চঙবিরবদি মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসি খরদা ওইরবসু কোকপা ঙমগদ্রা খঞ্জে।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক*

## অহুম চৎখি, মরি চঙলকই

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ঐখোয়গী** লৈবাক ইন্দিয়া দেমোক্রেসি চৎপা অচৌবা লৈবাক অমনি। মীচম মীয়ামগী মীহুৎনা লৈবাক ঙাকই। মীহুৎশিং অসি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা থাগৎনরকপনি। থাগৎনরক্লিবা ময়ামদুদগী মীয়াম্না অপাম্বা খনবনি। ইন্দিয়াদা পোলিটিকেল পার্টিসি অনী থোক্লা খাইদোকই। নেসনল অমদি রিজনেল হায়না। ষ্টেট মরিদগী হেনববু নেসনল কৌই, ষ্টেট অমত্তদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিবুনা রিজনেল পার্টি কৌই। খুদমশিংদি, বি জে পি, কোংগ্রেস, এ আই এ দি এম কে হায়না লৈরিবা ইন্দিয়াসি মল্টি পার্টি লৈবা হায়বদি পার্টি ময়াম লৈবা লৈবাক অমনি। অদুনা ভোটরশিংনা ভোট পীবদা লুই। পার্টি অনীখক্তা লৈবা লৈবাক্তদি ভোট পীবা লাই।

হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিদা য়াওরিবা পোলিটিসিয়নশিং অসি পার্টি অমদগী পার্টি অমদা মমাঙঙৈদগী হৌনা চোঙথোক চোঙশিন তৌদুনা লাকই। চোঙথোক চোঙশিন তৌনবনা লৈঙাকসু মরা চেৎহন্দে। অদুদগী অটল বিহারি বাজপায়না পি এম ওইবা কান্দা চোঙথোক চোঙশিন য়াদনবা এন্টি দিফেক্সন লো অমা পাস তৌখি। মন্ত্রি মশীংসু হন্থহনখি। য়াম্না ফবা খোঙথাংনি লৌনখি। এন্টি দিফেক্সন লোনা মরম ওইদুনা মতম খরা লেপ্লুরে। ক্কারম ফাদ্রবদি চোঙবসু য়াহন্দ্রে। মরমসি লৈবনা মণিপুরদা ইবোবীগী লৈঙাক্তগী এম এল এ ২৫ চোঙথোকখিনবা হোৎনখি। অদুবু তোকখি। লৈঙাক কায়নীং কায়নীং লৈরুরে। অদুগা কুমসিসু অমুক মন্ত্রি লোয়না শিন্দোক্কদবনি হায়দুনা ঈরাং হৌরকখি, য়াম্না লায়না ৩ শিন্দোক্লগা তোকখি। করম্বা হি-য়াইনো খঙদে। তুমিন্না লৈনখি। চীংগী লোকেল ইলেক্সন অমুক লাকই। মসিদা অমুক চোঙথোক চোঙশিন তৌনখি। মথংদা তমগী কাউন্সিল্লরশিংগী অমুক লাকই। মসিদসু চোঙথোক চোঙশিন তৌনখি। মরু ওইনা কোংগ্রেস, বি জে পিনি। অদুনা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌনদুনা লাকই হায়বা তারে।

হন্দক অমুক জেনরেল ইলেক্সন লাক্কদৌরে। মসিগী মমাঙদা নংহৌররোই মতাগুম পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌনরক্লে। এম এল এ ওইরম্বসু, ওইরিবসু, কাউন্সিল্লর ওইরম্বসু ওইরিবসু, প্রধান, মেম্বর ওইরম্বসু ওইরমদবসু অমদি পার্টি পার্টিগী ৱার্কর কয়াসু। মসিগী মতুংদা অমুক অপেন পেন্দা হুন-হুনদুনা ঙাঙনরি, চৈনরি, ফৈগা-ফত্তেগা হায়না পাউচেগী লমাইদা, কেবল টি ভি নেটৱার্কশিংদা অমদি রেদিওদা। অহুম চৎখি, মরি লাকই। কোংগ্রেসনা বি জে পিদা, ত্রিনামুলনা অমুক কোংগ্রেসতা। হান্না ৪৭ লৈরম্বদগী ৩ তোকখ্রগা ৪৪, মরি অমুক লাক্লগা ৪৮ শুরে কোংগ্রেস। কনানবু থিংবা ঙমগদৌরিবনো? বি জে পিগীদি শুপ্নগী অনীখক্তনি কারিবা। মসিদবু মতৌ করম্না লৈঙাক শেমগদৌরিবনো। পুরা ওনখ্রবদি খঙদ্রে আসামদৌনা। মণিপুরগী লৈমায়দদি কোংগ্রেসনা খরা চুনরিবা মাল্লি। অদুনা ৱাখিগনি। খন্দুনা য়েংবীয়ু অহুম লাকপগা মরি লাকপগা কনানা ফবা হেনবগে। মতৌ অসুম্না মতুং তারকপদা খরা অমগসু চোঙথোক চোঙশিন তৌরকখিবা য়ারি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*